**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভোকেল ফোর লোকেল, আত্মা নিরভর ভারতকী লম্বী অমসুং চাওখৎলবা ভারতকী পন্তুংফম হায়বা মন্ত্র অসিদা লৈবাক অসি মাঙলোমদা চংশিল্লি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিংনা ভারত অমসুং চাইনা লৈবাক অনি অসি চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মতেং পীনগদবা মপাংনি, য়েকবা নত্তে হায়না ফোংদোকখ্রে।

৩) দেমোক্রেতিক পিপলস ফ্রন্টনা, মণিপুরগী লুশিল্লক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

৪) ইন্দিয়ান মেদিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

অমসুং

৫) নেসনেল স্পোর্টস ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা নুমিৎ হুমি চথরকপা থৌরম মণিপুরদা ঙসি লোইশিনখ্রে।

------

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভোকেল ফোর লোকেল, আত্মা নিরভর ভারতকী লম্বী অমসুং চাওখৎলবা ভারতকী পন্তুংফম হায়বা মন্ত্র

অসিদা লৈবাক অসি মাঙলোমদা চংশিল্লি।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী ১২৫ শুবা মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- হরাউ কুম্মৈগী মতমদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা স্বাদেশিগী ৱাখল্লোন কাউরোইদবনি। মহাকা হায়- খুদোলপোৎ খুদিংমক লৈবাক অসিদা শাজবা ওইগদবনি, শেৎ চারিবা ফিরোল খুদিংমক ভারত্তা শাবা ওইগদবনি। অকে অমৌগী পোৎলম খুদিংমক ভারতকী মচাক্তনা শাজগদবনি অমসুং পুন্সিগী দরকার লৈবা খুদিংমক স্বাদেশি ওইহনগদবনি। শ্রী মোদিনা হায়- হরাউ নুংঙাইবা কয়াগী মরক্তা মীয়ামা লু-নানবা হায়বসিদসু মীৎয়েং চংগদবনি। মরমদি, তরু-তনানবনা হরাউ নুংঙাইবগী চাংসু হেনগৎহল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- এক ভারত, স্রেস্থ ভারতকী ৱাখল্লোন অমদি লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম হায়বসি লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা য়ামমক মরু ওই অমসুং শান্ন-খোৎনবা হায়বসিনা হিরম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শ্রী মোদিনা শ্রীনাগরগী দাল পাৎতা পাঙথোকখিবা অহানবা খেল্লোন ইন্দিয়া ৱাটর স্পোর্টস ফেষ্টিভেলগী মতাংদসু পনখি। প্রধান মন্ত্রিনা ফেষ্টিভেল অদুদা সনাগী তকমান ফংখিবা উরিষা অমসুং শ্রীনাগরদগী শান্নরোই অনিগসু ৱারী শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কুমশিগী নোংজ্ থা অসিদা মহৌশাগী ওইবা অমাং অতাগী থৌদোক কয়ানা লৈবাক অসিবু চাংয়েং তৌখি। মহাকা হায়- চয়োল খরগী মমাংদা লৈবাক অসিনা ঈচাউ অমসুং লৈবাক নীংখায়বগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং মায়োকখি। অসিগুম্বা খুদোংথিরবা মতমদা এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমদি অতৈ মীওই কয়ানা অহিং নুংথিল নাইদনা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু কন্নবা হোৎনখি।

প্রতিভা সেতু কৌবা য়ু.পি.এস.সিগী তোঙান তোঙানবা পরিক্ষাশিংগী তাঙ্কক কয়ামরুম লাম্থোক্লবা অদুগা ফাইনেল মেরিৎ লিষ্টতদি য়াওবা ঙমহৌদ্রবা কেন্দিদেটশিংগী দেটাশিং য়াওবা দিজিতেল প্লেটফোর্মগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- পোর্তেল অসিদগী প্রাইভেট কম্পনিশিংনা মচিন তুমখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙবগা লোয়ননা মখোয়দা থবক পীবা

ঙমহল্লগনি। মসিগী মহয় ওইনা কেন্দিদেট কয়ামরুম খুদক্তা থবক ফংহনবা ঙমখ্রে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

সোলার পৱারনা লৌমীশিংগী পুন্সিদা চাউনা অওনবা পুরক্লে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা বিহারগী মুজাফরপুরদগী দেবকিনা সোলার পম্পকী মতেংনা মহাক্কী খুঙ্গংদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমখ্রে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মথং থাগী ১৫ অমদি ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইঞ্জিনিয়ারশিংগী নুমিৎ অমদি বিশাকর্ম্ম জয়েন্তিগী মতাংদসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি।

এসসিও ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিংনা ভারত অমসুং চাইনা লৈবাক অনি অসি চাওখৎ থৌরাংগী লন্বীদা মতেং পীনগদবা মপাংনি, য়েকবা নত্তে হায়না ফোংদোকখ্রে।

চাইনাগী তিয়ানজিনদা পাঙথোক্লিবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও)গী মীফম য়াওবা চৎপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিংগা ঙসি ৱারী শান্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি । লৈবাক অনিগী ওইবা মরী মখা তানা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ঙমখৈ লমদমশিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা তঙাইফদবা লৈ হায়না প্রধান মন্ত্রি ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং চাইনাগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হায়বসি লৈবাক অনিগী মীওই বিল্লিয়ন ২.৮ গী স্বার্থগা মরী লৈনৈ। মহাকা হায়- মসিনা মীওইবা জাতিগী য়াইফনবগী লন্বীসু য়াৎলগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিনা অমনা অমবু থাজনবা, ইকায় খুমবা অমসুং ভাব তান্নবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ভারতনা পাম্মী। শ্রী মোদিনা এস.সি.ওগী সদস্য লৈবাকশিংগী অতৈ লুচিংবা কয়াগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। ঙসি নুমিদাং মহাকা এস.সি.ওগী সদস্য লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগীদমক শিনবা চাক্লেন অমদসু শরুক য়াগনি।

ভারত অসি ২০১৭ তগী এস.সি.ওগী মেম্বর ওইরক্লি। এস.সি.ওগী

সদস্য ১০ লৈ। মদুগী মনুংদা ভারত, বেলারুস, চাইনা, ইরান, কজাকস্তান, কিরগিস্তান, পাকিস্তান, রসিয়া, তাজিকিস্তান অমসুং উজবেকিস্তান য়াওরি।

দিপিএফ (এল)ঃ দেমোক্রেতিক পিপলস ফ্রন্টনা মণিপুরগী লুশিল্লক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তাল্লদুনা দেমোক্রেতিক পিপলস ফ্রন্টনা হায়- নেসনেল হায়ৱেশিং খুদক্তা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎহনগদবনি। রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং আইন হঞ্জিনহন্নবগীদমক হরাং অসিনা শোকহল্লবা জাতি কাংলুপশিং, সিভিল সোসাইতি অমসুং পোলিতিকেল ষ্টেগ হোল্ডরশিং য়াওনা পুন্না মীফম পাংথোকপীয়ু। পিপলস য়ুনিয় ফোর সিভিল লিবরতি (পি.য়ু.সি.এল)না নাকল নামাগী ওইবা রিপোর্ট অমা পুথোরকখিবা অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট জ্দিসিয়েল কম্মিসন শেন্বা, আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা লুপা লিশিং ৭০ দগী ৭৫ ফাওবা পীগনি হায়বা অদুগী মহুৎতা লুপা লাখ অমমম পীবীয়ু। দল অসিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ নরেংবম রাজিভ কুমারনা লুচিংবা মীওই মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা ইন্তিগ্রেতেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস (আই.সি.দি.এস) সেলগা খুৎশমরগা ককচিং জিলাগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ৪০০ রোমগীদমক পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে। পোসন ভি, পরাই ভি প্রোগ্রামগী মখাদা অঙাং খুদিংমক শিক্ষা, মচি ওইবা চীঞ্জাক অমসুং নিংথিনা য়েংশিনবীনবগীদমক ত্রেনিং অদু পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসি কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মিসন সকসম অঙ্গনৱাদি অমসুং পোসন টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা পাঙথোকপনি। থা অসিগী মরিদগী হৌখিবা ত্রেনিং অদুদা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ৩৬২ রোম তাঙ্কক নাইনা ত্রেনিং পীখি। ত্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরদা পাঙথোকখি। মমাং চহিগী দিসেম্বরদা অঙ্গনৱাদি ১০০ রোম ত্রেনিং পীখ্রবনি।

ওকপা (এল)ঃ পহলগাম টেরর এটেক্তা চেন্নবা তেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ভারতনা চথখিবা ওপরেসন শিন্দুরদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী স্কবাদ্রোন লিদর- রিজৱান মালিকপু ঙসি তরামা ওকখ্রে। মহাকা ওপরেসন শিন্দুরদা লৌখিবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা অহুমসুবা মনা বির চক্র পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রবনি। মহাকা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্ট ইম্ফালদা হেক থুংলবদা য়াল্লবা মীয়ামা মহাকপু তরামা ওকখি।

টাউন (এল)ঃ ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা অমরুট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা মাষ্টর প্লান অমা শেম বগা মরী লৈননা ঙসি খন্ন-নৈনবগী ৱার্কসোপ অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওদিতোরিয়াম হোলদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অদুদা গ্রেতর ককচিংগী বাউন্দরি অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বাউন্দরিবু নৌনা শেমদোক শেমদোক তৌবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

থৌরম অদুদা মাষ্টর প্লান শেম্বদা করি করি মচাকশিং চংবগে, গ্রেতর ককচিংগী বাউন্দরিদা করম করম্বা মফমশিং হাপচিনবা য়াগদগে অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লৈরিবা ৱার্দ ১২ অসিদা করম করম্বা ৱার্দশিং বাউন্দরি চাউথোকপা মথৌ তাবগে হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

উ (এল)ঃ ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, রিজনেলে বিজিনেস ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট অমদি এল্লায়েন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টরনেতিভ মণিপুর (অদাম)না পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি ককচিংগী অঙন চীং হকো পার্কতা উ চারা ১০০ হেন্না থাখ্রে।

উ থাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস.বি.আইগী রিজনেল মেনেজর লোখো পিটরনা হায়- অকোইবগী ফিভম কাইথরক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- লমদম

অসিদগী মাংশিল্লক্লিবা উমংশিংবু নৌনা হিংগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা থৌদাং লৌমিন্নশি।

অমরোমদা, এক পের মাকে নাম কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, রিজনেল বিজিনেস ওফিস, বাবুপারা ইম্ফাল অমসুং নেচর ক্লব হাওরৈবী অনি পুন্না খুৎশমদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলাখোং (চন্দ্রনাদি) তুরেল খোঙবানগী হাওরৈবীদনা উ চারা ৫০০ থাখ্রে।

ওবিট (এল)ঃ রুপমহল থিয়েটর ইম্ফালগী সেক্রেতরি ওইনা থৌ পুরম্বা অমসুং রুপমহল লিলাগী ফম্বাক্তা মশক নাইবা লিলারোই অমা ওইনা শরুক য়াখিবা হিদংময়ুম অচৌবা শর্ম্মনা ঙসি লৈখিদবদা থিয়েটর অসিগী লৈহৌরিবা আর্টিষ্ট অমদি মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। হিদংময়ুম অচৌবা শর্ম্ম ইং ১৯৮৭ দগী ১৯৯৭ ফাওবা অকাশবানি ইম্ফালগী কেজ্য়েল এন্নাউসর ওইনা থৌ পুরম্বতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী এদিটর ওইনসু থৌ পুরম্মী।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেদিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলা নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা নোং চুগনি। হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা নুমিৎ খুদিংগী থোকপা অঙ্গং অশাগী পাউ মতুংইন্না ঙসি নোনে জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫.৪৮ য়ৌনা শাখি। বিষ্ণুপুর জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫.২৮, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩৪.১৫, কাংপোকপী জিলা ৩৩.৪৭ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.৬৭ কী চাংদা শাখি।

অমরোমদা, পুদুচেরি দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টার মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা মফম অদুগী বিভাগ খুদিংমক চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে। চেন্নাইদা খঙহৌদনা নোং চুরকপদগী চেকশিন ৱা অসি থমখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরসনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা মখোয় মখোয়গী কন্ট্রোলরুমশিং হাংদোক্কুনা থমবা খঙহনখ্রে।

মেট বিভাগনা নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, নোংপোক থংবা রাজস্থান, হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়রি।

মণিপুর, অসাম মেঘালয়, মিজোরম, ত্রিপুরা, ছত্তিসগর, অন্ধ প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং বিদরভা লমদমদা অখাক অরাউ অমসুং নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি। বিভাগ অসিনা মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, উরিষা, নোংচুপ বেঙ্গল, সিক্কিম, তেলঙ্গনা, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, গোৱা, কোনকান অমসুং দিল্লিগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

ডে (এল)ঃ বদিয়া ভারতি শিক্ষা বিকাশ সমিতি অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগা পুন্না খুৎশমদুনা সংসদ খেল মহোৎসব থৌরমগী মনুং চন্না নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোরকপা স্পোর্টস মিট লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইজ্কেসন (এস)কী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিন্না হায়- লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মশা মউ ফনা লৈরবা মতমদতা ওইবা ঙমগনি। মহাকা হায়- হৌজিক লাক্লিবা হিদান্নবগী মতম অসিদা শান্ন-খোৎনবা খক নত্তনা মহৈ মশিং নিংথিনা তমদুনা লমদম অসিগী অফবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবা চংই।

বি.আর.আই.সি-ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইম্ফালনা শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস ডে মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। ইন্সটিট্যুট অসিনা থা অসিগী ২৯ দগী ঙসি ফাওবা মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক কুমওনবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিনসু নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। এক ঘনতা, খেল কে মৈদান মে হায়বা হিরমদা থৌরম অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনশম লৈকাইদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অসিদা পাঙথোক্কুনা লাকপনি।

১০৯ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফকী মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী মখাদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোংশাংগৈদা নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। সাইকল রেল্লি অদু য়ুনিত হেদক্বাটরদগী লমথাখি।

সাইকল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থরকখিবা নেসনেল স্পোর্টস ডে লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ককচিং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শান্নরোইশিংগী ওইবা 'শান্তিগী সাইকল রেল্লি' অমসু জিলা অসিগী মনুংদা চৎখি।

নেসনেল স্পোর্টস ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল ইজ্কেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সনা শিন্দুনা 'সনডে ওন সাইকল' হায়বা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ফিট ইন্দিয়া কেম্পেন কমিতি, ফিট ইন্দিয়া ক্লব অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সার্ভিস স্কিমগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পুন্না সাইক্লিষ্ট ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

সাইক্লিং (এল)ঃ থাইলেন্দদা পাঙথোকপা ত্রেক্ট এসিয়া কপ ২০২৫ দা মণিপুরদগী রোনালদো লাইতোঞ্জমনা মেন্স ৱান কিলোমিতর টাহম ত্রাইয়েল ইভেন্টতা শেঞ্জেংগী তকমান ফংবা ঙমখ্রে। কপ অসিদা ভারতকী ওইনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা পুন্না মেদল মরি ফংখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দব্লিউ.পি ফুটবোল ক্লব, দাইলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসন, চেংদাই নামসৰান ফুটবোল ক্লব অমসুং বুস য়ুনাইতেদ তমেংলোং ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেলদা চেংদাই নামসৰান ফুটবোল ক্লবকা দাইলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগা মথং থাগী ২ দা অমসুং অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা দব্লিউ.পি ফুটবোল ক্লবকা বুস য়ুনাইতেদকা মথং থাগী ৩ দা শান্নরগনি। ফুটবোল লিগ অসিগী ফাইনেল মেটচনা মথং থাগী ৬ তা শান্নগনি।

হোক্কি (এল)ঃ বিহারগী রাজগীরদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী এসিয়া কপ হোক্কি তুরনামেন্টকী মেটচ অমদা ভারতনা জপানবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। ভারতকী ওইনা হরমনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ২ অমসুং মন্দিপ সিংহনা পাঞ্জল ১ চনখি।

------